**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-02-2025)**

**ইগজাম (এল)ঃ** মহৈরোই লিশিং ৩৭ হেনবনা পরিক্ষা থাদুনা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) না লৌবা মেত্রিক পরিক্ষা হায়রগসু খঙনবা ক্লাস টেন পরিক্ষা ঙসিদগী হৌখ্রে।

বোসেমগী পাউ মতুং ইন্না ঙসি অহৌবা নুমিৎ পামদবা থৌদোক অমসুং মহৈরোইশিংনা অরানবা পান্থে শিজিন্নরম্বগী তান্থোকপগী পাউ লৈতে। কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,০৫২ পরিক্ষা থারি। মসিগী মনুংদা নুপা মহৈরোই লিশিং ১৮,৪৬০ অদুগা নুপী মহৈরোইনা লিশিং ১৮,৫৯২ য়াওরি। পরিক্ষা অসিগীদমক পুন্না সেন্তর ১৫৫ হাংদোক্লি।

পরিক্ষা অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মহৈরোই ৫৩৫ য়াওরি। পরিক্ষা অসিদা সরকারগী স্কুল ৩০৬ কী মহৈরোই লিশিং ৮,৪৬৮, এদেদ স্কুল ৬০ দগী মহৈরোই লিশিং ১,২১০ য়াওরি। লন্নাই স্কুল ৫৮৩ গী মহৈরোই লিশিং ২৭,৩৭৪ য়াওরি।

বোর্ডনা লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন নোনে জিলাদসু পরিক্ষা সেন্টর মরিদা শান্তি ওইনা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী ওইনা পুন্না মহৈরোই ৯১৯ না পারিক্ষা থাখি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** উখ্রুলদা অহানবা ওইনা মোর্দন এদুকেসন স্কুল হাংদোকখিবগী চহি ১২৮ শুবগী কুমওন থৌরম ঙসি উখ্রুলদা পাঙথোকখ্রে।

তাংখুল লিটরেচর সোসাইতিনা শিন্দুনা লিক্লা হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তাংখুল লিটরেচর সোসাইতিগী প্রসিদেন্ট-শ্রী ভিক্তর কাপিং শরুক য়াখি। নীংশিংবা য়াই, উখ্রুল জিলাদা অহানবা ওইনা মোর্দন এদুকেসন স্কুল ইং

১৮৯৭ গী ফেব্রুৱারী ১৯ দা আমেরিকান খৃষ্টান মিস্নারিনা মহৈরোই ২০ লৈবা স্কুল অমা হাংদোকখি।

**তৌসেম (এল)ঃ** ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা তৌসেম হেদক্কাটরদা শিৎখিবা অকনবা নুংশিৎনা মফম অদুদা লৈবা মহৈ তম্ফমশঙ অমা অমাং অতা থোকহল্লে।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমীনা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ৱিজদম ইংলিস স্কুলগী মহৈ তম্ফমশঙ অদু অমাং অতা থোকহল্লে।

**কেম্প (এল)ঃ** কেন্সর লায়না খঙদোকবা অমসুং শোক শমবদা লৌনদবা লায়নাশিংগী অকুপ্পা মরোল লৌশিন্নবগী কেম্প অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ক্ষেত্রিগ্রাউ অপর প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসি নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিস সেল ইম্ফাল হষ্ট অমসুং ক্ষেত্রিগ্রাউ অপর প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অনিনা খুৎশমদুনা শিনবনি। ঙসিগী কেম্প অদুদা মীওই ৫০ হেনবদা চিল-লৈদা নাবা কেন্সর, অঙাং খাউদা নাবা কেন্সর অমসুং ঈদা নাবা কেন্সরগী লায়না খঙদোকবা চায়েংসু তৌখি।

**ককচিং (এল)ঃ** সেনিয়ার সিটিজন্স ফোরম ককচিংনা চল্লাইবা ককচিং পনজাউ পালুমদা লৈবা হৌজিকা রিলিফ কেম্প ওইরিবা ওল এজ হোম অসিদা ৪৬ শুবা অসাম রাইফলসকী মতেংগা লোয়ননা মল্টি পরপজ সেদ অমা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

মল্টি পরপজ সেদ শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দ, ৪৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট করনেল সিবেন্দ্র অমসুং ফোরমগী প্রসিদেন্ট-এন. নিমাই সিংহ শরুক য়াখি। সেদ অসি অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদ ভাবনাগী মখাদা শেম্বনি।

**কেম্পেইন(এল)ঃ** লৈবাক অসিদা লেপ্রোসি লায়নাগা শগোন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু খুন্নাই অসিনা হঙ্গোইবা পোল্লিবা অসিবু কোকহন্নবগী চথরকপা স্পরস লেপ্রোসি এৱারনেস কেম্পেইন ঙসি নোনে জিলাগী খুমজি বজারদা লৈবা বেরিয়ন বেপটিস একাডমীদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি লেপ্রোসি য়ুনিট-নোনেনা শিনবা থৌরম অদুদা নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট লেপ্রোসি ওফিসার-ডা: অজিন মরিংমৈ অমসুং ষ্টেট প্রোগ্রাম কো-ওর্দিনেট-মহামদ মজিদ আলি শরুক য়াখি।

**নোনে (এল)ঃ** বেতি পরাউ, বেতি পরাউ চহি তরা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা নুপীমচা অমসুং নুপীশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী শান্ন খোৎনবা চাংদমবগী থৌরম অমা লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দ-নোনেদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনে, দিষ্ট্রিক্ট আই.সি.দি.এসনা ৱান স্তোপ সেন্টর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-নোনেগা পুন্না শিনবা স্পোর্টস অদু ঙসিদগী জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: সরদচন্দ্রনা হৌদোকখি। নুমিৎ নিনি চথুগদবা থৌরম অসিদা ফুটবোল টিম ১৪ অমসুং ভোল্লিবোল টিম ১৬ শরুক য়ারি।

**প্রামেস (এল)ঃ** ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-প্রমেস অরাম্বমনা হায়রি-মীয়ামনা য়ারিবমখৈ ত্রাফিক্কা মরী লৈননা চলান ককপা মতমদা ই-চলান ককবা হোৎনবীয়ু।

অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা অখন্নবা উন্নবা অমদা শ্রী প্রমেস অরাম্বমনা হায়-রাজ্য অসিদা ইন্টিলিজেন্স ত্রাফিক মেনেজমেন্ট সিষ্টেম অথুবা মতমদা হৌনবা হোৎনরি। মসিনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা পীরিবা নিতি নিয়ম থুগায়বশিংবু মফম মফমদুদা খিল্লিবা সি.সি.টি. কেমেরাশিংগী মতেং লায়না ফাবা ঙম্লগনি। থৌরাং অসিগী মতেংনা ত্রাফিক্কী চৎন-কাঙলোন থুগায়রিবশিং অসি

কেমেরাগী মতেংনা ইরাই লায়না ওন লাইনগী খুথাংদা চলান ককপা ঙম্লগনি। এস.পিনা হায়-ত্রাফিক্কী নিয়ম মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা পান্দমদা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসনা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎলি। পীক্লিবা মহৈরোইশিংদগী হৌরগা কলেজ তন্লিবা মহৈরোইশিংদা ত্রাফিক্কী নিতি নিয়ম খঙহন্ননবা এৱারনেস কেম্পেইনশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-প্রমেস অরাম্বমগা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা উন্নবগী অখন্নবা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি অকাশবানিগী য়ু ট্যুব চেন্নেলদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**রিমস (এল)ঃ** রিমস ইম্ফালগী সেক্যুরিতি বেরেক অমা ঙসি রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিল কুমার শর্ম্মনা হৌদোকখ্রে।

সেক্যুরিতি বেরেক হৌদোকপগী থৌরমদা দাইরেক্তরনা হায়-ইং কুমজা ২০৩০ ফাওবগা মনুংদা রিমস অসি হেন্না চাউখৎপা, নীংথিনা ঙাক শেনবা মেদিকেল কেম্পস অমা ওইনবা হোৎনরি। মহাকা হায়-ইন্সটিট্যুট অসি মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎ শাগৎনবা অমদি হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা হোস্পিতাল অসিগী কেম্পস মনুংদা খুদক্কী ওইবা অনা লায়েংগী চৎথোক চৎশিন্দা হেন্না খুদোংচানবা হেলি পোর্ট অমা থমবা কেন্দ্র সরকারদা হায়জখিবা লৈরে। মসিগী মথক্তা হোস্পিতাল অসিদা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতনবা অচৌবা রিজাভর অনি থমবসু হোৎড়রি।

**অমিত ঃ** ঈশিং ঈচাও, খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাউ থোরকপা, চীং নিংখায়বা অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা হৌখিবা চহিদা শোকহনখ্রবা রাজ্য মঙাদা নেসনেল দিজাস্তর রেস্পোন্স ফন্দদগী কেন্দ্রগী শেন্থং ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১,৫৫৪ পীবদা য়ারে।

গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমনা অন্ধ্র প্রদেস, নাগালেন্দ, উরিষ্যা, তেলঙ্গানা অমসুং ত্রিপুরাদা শেন্থংশিং অদু পীবদা অয়াবা পীখিবনি।

গৃহ মন্ত্রালয়গী পাউ মতুং ইন্না অন্ধ্র প্রদেসকী ওইনা লুপা কোতি ৬০৮, নাগালেন্দগী ওইনা লুপা কোতি ১৭০ হেন্না, উরিষ্যাগী ওইনা লুপা কোতি ২৫৫ হেন্না, তেলঙ্গানাগী লুপা কোতি ২৩১ হেন্না অমসুং ত্রিপুরাগী ওইনা লুপা কোতি ২৮৮ পীবদা অয়াবা পীখিবনি।

গৃহ মন্ত্রালয়না হায়-রাজ্যশিং অসিদা কেন্দ্রনা ষ্টেট দিজাস্তর রেস্পোন্স ফন্দগী মখাদা পীথখিবা শেন্থং অদুগী মথক্তা অহেনবা শেনফম অসি পীবনি। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ দা কেন্দ্র সরকারনা ষ্টেট দিজাস্তর রেসপোন্স ফন্দগী মখাদা রাজ্য ২৭ তা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৩২২ পীথখ্রে। নেসনেল দিজাস্তর রেসপোন্স ফন্দগী মখাদা রাজ্য ১৮ দা লুপা কোতি লিশিং ৪,৮০৮ হেন্না পীখ্রে।

**অসামঃ** অসাম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী অনিগী লোন্নবা মফম গুলানি তাপুদা একর ৮ লোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং ঙসি অসাম পুলিসনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা মহাক্কী ৱারোল অমদা হায়- অসাম পুলিস অমসুং অসাম সরকারনা আইন কায়না পোপী থারিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা মখা তানা খোঙজং চংশিনখিগনি।

**দিল্লিঃ** দিল্লিগী বি.জে.পি. লেজিসলেটিব পার্টিগী মীফম ন্যু দিল্লিদা হৌজিক পাঙথোক্লি। মীফম অসিদা নৌনা খল্লবা বি.জে.পিগী এম.এলশিং অমদি দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়ারি। মীফম অসিদা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি কনানা ওইগদগে হায়বদু লেপথোক্কনি।

মরক অসিদা, দিল্লিগী লেজিসলেটিব পার্টিগী লুচিংবা খন্ননবা সেন্ত্রেল

ওবজাভর অনি হাপখ্রে। মখোয়শিং অদুদি-সংসদ সদস্যা-রবি শঙ্কর প্রসাদ অমসুং দলগী নেসনেল সেক্রেটরি-ওম. প্রকাশ ধনকরনি।

দিল্লিগী মথংগী মুখ্য মন্ত্রি ৱাশক লোবগী থৌরম হয়েং অয়ুক রাম লীলা মৈদানদা পাঙথোক্কনি। হন্দক পাঙথোকখিবা দিল্লি বিধান সভা মীখলদা সিট ৭০ গী মনুংদা বি.জে.পিনা সিট ৪৮ মায় পাকখিবনি।

**রুরেলঃ** রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-কেন্দ্র সরকারনা খুঙ্গংগী মীওইশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মহাকা হায়-থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীরে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা আফ্রিকান-এসিয়ান রুরেল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী ৭৭ শুবা ইগজকিটিব কমিতিগী মীফম হেদোল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-রুরেল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অসিগী খুথাংদা ভারতনা তোঙান তোঙানবা লমশিং, লৌশিং-গ্যান, টেকিকেল এক্সপার্ট পীথোক পীশিন তৌনগনি। মহাকা হায়-রুরেল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী মতেংনা ভারতকী খুঙ্গংগী জাতি কাংলুপশিংদা শক্তি পীবদা হেন্না মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়-নেসনেল রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মখাদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লাখ ৯০ রোমগী নুপী কোতি ১০ য়াওরে অমসুং শেন্থং ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৫০ পীথখ্রে।

মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা নুপী কোতি অমা লাখ ২৫ লাখপতি দিদি ওইরে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫, ঙসি শগোলমাং গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নাকো-নম্বুলমপান অমসুং সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লব পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচতা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবনা ত্রাউ-ক্লাকৈথেলবু

পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)**ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ঙসি ইশোক প্লে গ্রাউন দদা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী মেটচতা ইশোক এফ.সিনা ক্রাউবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট(এল)**ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি তোঙান তোঙানবা প্লে গ্রাউন্দশিংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা- ৱাহ.ডল্লিয়ু.সি. লংথাবালনা ৱাই.এ.এল. থৌবাল লৈশাংথেমবু ৱিকেট ৮ দা, সেদো থাংমৈবন্দনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৯ দা, অল অমিন লিলোংনা য়েসদান নিংথৌখোংবু ৱিকেট তরুক্তা মায়থিবা পীখি।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডল্লিয়ু প্রহাদা এন্দ ডল্লিয়ু রামান্দদা ইলিট টুর্নামেন টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে.সি.সি. কোংবা বজারনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট তরেৎতা অমসুং মোদেল শিংজমৈ চিংঙামখানা রেজ খ্বাই নাগামপালবু রন-১১৪ দা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট(এল)**ঃ ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বি.এস.সি. টিম (এ) ব্রহমাপুরনা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈবু ৱিকেট তরুক্তা, পি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্না বি.এস.সি. টিম (বি) ব্রহমাপুরবু রন-১৭৮ তা মায়থিবা পীখি।

**পোলো (এল)**ঃ ৩৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫, মথং থাগী অনিদগী পাঙথোক্লগনি। মনিপুর হোর্স রাইদিং এন

দ পোলো এসোসিয়েসনদা এফিলিয়েট তৌরবা পোলো ক্লবশিংনা থা অসিগী ২৬ ফাওবদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা মখোয়গী ফোর্মশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**রেসলিং (এল)ঃ** মে অহুমদগী ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা ২৩ শুবা এসিয়ান আম রেসলিং অমসুং ২২ শুবা এসিয়ান পেরা আম রেসলিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়ানবা মনিপুরগী আম রেসল্লরশিংনা মখোয়গী মিং মনিপুর আম রেসলিং এসোসিয়েসনগী শিংজমৈ পার্কিংদা লৈবা ওফিসতা মিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি। হৌখিবা চহিগী নাগপুরদা পাঙথোকখিবা নেসনেল আম রেসলিং এন্দ পেরা আম রেসলিং চেম্পিয়নসিপ্তা মকোক মথং তাখ্রবশিংনা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

**ত্রাইয়েল (এল)ঃ** সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন-শিংজমৈগী চহি ১৯ মখাগী ফুটবোল ত্রাইয়েল অমা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোঙমন জোন ফোরদা লৈবা এস.ডব্লিয়ু.সি. ফুটবোল গ্রাউন্দ অটোম লৈরক্তা পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা ত্রাইয়েল নুমিৎতা মখোয়গী সার্টিফিকেটশিংগা লোয়ননা লাক্কদবনি হায়রি।